**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-12-2025)**

**দিসি (এল)ঃ** ইং ২০২৩ গী মে থাদা থোকখিবা কাংলুপকী ইরাং মতুংদা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরিবা ইমুং মনুংশিং তপা তপা মখোয় মখোয়গী ময়ুমশিংদা হনজিন্নবা হৌরে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী লৈমরাম ৱাইরোইচিং খুলগী লাঞ্জেন্নদুনা লৈরকখিবা খুঞ্জাশিংসু ঙসি মখোয় মখোয়গী য়ুমদা অশোয় অঙাম য়াওদনা চংখ্রে। মখোয় কাংলুপকী ইরাংগী মতুংদা বিষ্ণুপুর জিলাগী লৈমরাম হায়স্কুল রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরকখিবনি। অপুনবা ইমুং ৬৪ গী মীওই ২৫৭ না রিলিফ কেম্প অসি থাদোক্তুনা মখোয়গী ময়ুমদা চংবগী থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমসু শরুক য়াখি।

রিলিফ কেম্প অদুদগী আই.দি.পিশিং লৈমরাম ৱারোইচীংদা চৎত্রিঙৈদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা হায়-আই.দি.পিশিংনা মশা মশাগী ময়ুমদা হলহনবা হৌরকপা অসি য়ামা শিংথানিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি। মসিনা শান্তি হনজিল্লকবগী পাম্বৈ অমসু ওইবা ঙমলে।

মহাকা হায়-সরকারনসু আই.দি.পিশিংগী ইমুং মনুংশিংগী মীওইশিংদা দরকার লৈবা শেনফমশিং হান্নর পীখ্রবনি। অৱাৎপা শেনফমশিং অথুবা মতমদা পীথোকবা হোৎনরি।

**মেমোরেন্দম (এল)ঃ** মনিপুরদা আইন কায়না চংল্লকপা মীতোপশিং অমদি মসিনা য়েলহৌমীশিংদা থোকহল্লকপা খুদোংচাদবশিং অসি কোকবা অথুবা মতমদা থবক পায়খৎনবা রাজ্যপালগী খুথাংদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম অদু মনিপুরগী লিয়াংমৈ কাউন্সিল, রোংমৈ নাগা কাউন্সিল, জেমি নাগা কাউন্সিল, ইনপুই নাগা য়ুনিয়নগী অপুনবা কাংবুনা ঙসি রাজ্যপালদা পীশিনখিবনি। মেমোরেন্দম অদুদা-মনিপুরদা আইন কায়না মীতোপ কয়া চংশিল্লকপনা রাজ্য অসিগী য়েলহৌমীশিংদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরে। হৌখিবা চহি খরা অসিদা ম্যান্মার অমদি ভারতকী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদগী চংশিল্লকখিবা মীতোপশিংনা লমদম অসিগী লৈজরিবা নাৎ-চৎনবী, শেল থুমগী ফিভম অমদি হিংবগী হক্তা চাউনা শিংনরে হায়না পল্লি।

মেমোরেন্দম অদুদা, মরুওইবা হায়ৰেশিংদা নৌনা খুন্দা লৈতাশিল্লকপা অসি হৌজিক ফাওবা মরি লৈনবা ওথোরিতিনা য়েংশিনবীগী ফিভম লৈত্রি। নৌনা চংল্লকপা মীওইশিং অসিনা নেসনেল হায়ৰেশিংদা চৎলিবা গাড়িশিংদগী আইন কায়না টেক্স খোমগৎপা অমদি নাগা তাবা লমশিংদা পোপী পান্বীশিং থাবনা মখোয়গী হিংনবগী লন্বী ওইরি। মসিদসু নত্তনা নেসনেল হায়ৰেশিংদা তম্পাক্তগী লাকপা মীওইশিংগী চৎথোক চৎশিনদসু চাউনা অকায়বা পীবতা নত্তনা নাগাগী লমশিংবু মখোয়গীনি হায়না দাবী তৌবা অমদি তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন অমা মখোয়গীদমক শেমগদবনি হায়না দাবী তৌরক্লে হায়বা ৱাফম পল্লি।

মেমোরেন্দম অদুদা, নাগাগী খুলশিং ফাওরগা চৎননবগী পান্দমদা মখোয়না আইন কায়না লন্বী কয়া শেমগৎ শাগৎপগী থবক চথরি। লন্বীশিং অসিবু মখোয়গী মিলিটেন্ট লুচিংবশিংগী মমিং লৌদুনা থোল্লি। খুদম ওইনা, টাইগর রোড অমদি জর্ম রোড অসিনি। মনিপুরদা কুকিগী মীশিং অসি ইং কুমজা ১৯৫১ দগী ২০১১ ফাওবদা লিশিং ৭৯,৯১৯ ওইরম্মী। হৌজিক মখোয়গী মীশিং অসি লাখ ৪ লিশিং ৪৮,২১৪ দা হেনগৎলে।

অসিগুম্বা ফিভম অসি য়েংলগা কেন্দ্র সরকারনা অথুবা মতমদা মীতোপশিং খনদোক্তুনা মশা মশাগী মরমদা হলহনখিনবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়না লুপ অসিনা দাবী তৌরি।

**এনপিপি(এল)ঃ** ইরেংবম হেমোচন্দ্র সিংহবু নেসনেল পিপলস পার্টি (এন.পি.পি) গী নেসনেল ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা হাপখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা দলগী নেসনেল প্রসিদেন্ট-কোনরাদ কে. সংমানা চেরোল অমা থোকখ্রে।

অমরোমদা, পি.ঐচ. জিলাসনা শর্ম্মবু নেসনেল পিপলস পার্টি, মনিপুরগী সেনিয়ার ভাইস প্রসিদেন্ট, মাইবম ধনবিরবুনা জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) অমসুং লাকপাচুই সিরোবুনা জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) ওইনা হাপখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা এন.পি.পি. মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-ডা: লোরহো এস. ফোজেনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

**লো (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী টাউন্দ প্লান্নিংগী মীৎয়েং মখাদা মনিপুর আর্কিটেক্স ফোরম অমদি ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অনিনা শিনদুনা মোদেল মনিপুর য়ুনিফাইদ বিল্ডিং বাই লোজ-২০২৪ থবক্তা ওন্থোকবগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবা থৌরম অমা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ টাউন্দ প্লান্নর-বেজ্‌-না ওন লাইন বিল্ডিং পার্মিসন সিষ্টেমগী মতাংদা ৱা ঙাংখি অদুগা য়ুনিফাইদ বিল্ডিং বাই লোজগী প্রসিদেন্ট-গীতকুমারনা হীরম অসিগী মতাংদা মহাক্কী ওইবা ৱারোল থমখি।

**নোনে (এল)ঃ** ইন্টরনেসনেল গালর্স চাইল্ড ৱিক থৌরমগী মনুং চন্না জেন্দর দিসক্রিমেসন অমদি নুপীদা ওৎপী নৈবীবা থিংনবগীমতাংদা মীয়ামবু নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা নোনে জিলাগী তাজৈ পব্লিক হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা নুপী নুপাগী মরক্তা খেৎনবা থম্বা হায়বসি সমাজতা কৈদৌনুংদসু তৌরোইদবা থবক অমনি হায়বা ৱাফম ফোংদোকপগা লোয়ননা নুপীদা হেন্না শক্তি পীদুনা অসিগুম্বা ৱাখল্লোন্দদি লাপথোকা লৈহন্নবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**কেম্প (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী খাঙবোক্তা লৈবা মমাং লৈরক য়ুথ দিবলপমেন্ট ক্লবনা রেভা আই ফাউন্দেসন-উরিপোক্কা খুৎশমরগা মিৎ লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা লেমা আই টেষ্ট তৌবা, কল্লর ভিজন টেষ্ট তৌবা অমদি সেনিয়ার সিটিজনশিংগী ওইনা কেটরেক লৈব্রা খঙদোকবা টেষ্ট তৌখি। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ৫৯ লায়েংখি।

**এমএসএফ (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসনগী ২০ লক শুবা ইগজিকিটিব কাউন্সিলগী জেনরেল বোদি মিতিং অমা ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকাইদা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মীফম অদুদা এম.এস.এফকী ওইবা ৱাফম কয়া পুথোক্কুনা খন্নখি। মদুদা, মনিপুরবু অওনবা, তংদু লৈতানা অমত্তা ওইবগী শক্তম কায়হন্দনবা হোৎনবদা লুপ অসিগী থোমীশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা খন্নখি।

**প্রমোসন (এল)ঃ** মনিপুরগী পুলিস ওফিসার তরুক, ইন্দিয়ান পুলিস সার্ভিসতা প্রমোসন পীরগনি।

কেন্দ্র সরকারগী অন্দর সেক্রেটরি-চন্দনকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ইন্দিয়ান পুলিস সার্ভিস এপোইন্টমেন্ট বাই প্রমোসন রিগুলেসন্স-১৯৫৫ কী রিগুলেসন সভেনগী সব-রিগুলেসন থ্রিগী মখাদা ওফিসারশিং অসিবু

আই.পি.এসতা প্রমোসন পীনবা থবক পায়খৎলকপনি। আই.পি.এসতা প্রমোসন ফংলগদবা মনিপুর পুলিসকী ওফিসারশিং অদুদি-বেমবেম নোংথোম্বম, প্রিয়াদরশিনি লাইশ্রম, রাজকুমার মনভিনদু সিংহ, মহামদ জকির রুদ্দিন, সরাংথোম আসানা অমসুং ডা: সরাংথেম ইবোমচা সিংহনি।

**দ্রগ (এল)ঃ** মনিপুরদা দ্রগ লান্না শিজিন্নবা অমদি ময়াই কাবা নিশাশিং শিজিন্নবা তোক্লবা মতম খক্তদা রাজ্য অসি মাংলোমদা চংশিনবা ঙমগনি হায়না ওক্রম সুরজাকুমার এম.এল.এনা ফোংদোকখি।

থৌবাল মেলা গ্রাউন্দদা ঙসি পাঙথোকখিবা এন্টি দ্রগ ওর্গনাইজেসন কংলৈপাক লিংখৎখিবগী তরেৎশুবা কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সুরজাকুমারনা হায়-মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মীয়ামনা খঙ থেংনা ৱান্নরবা মতম অসিদা নীংবা কায়রবা মীওই কয়ানা ময়াই কাবা নিশা শিজিন্নদুনা মশা খক্তা অৱাবা তাহনবতা নত্তনা ইমুং মনুং অমদি মীওই কয়াসু অৱাবা পীরি। মসি অফবা খুদম নত্তে। মসি থিংননবা ঐখোয় খুদিংমকা অমত্তা ওইনা হোৎনমীন্নবা তঙাইফদে।

**সংস্কৃটন (এল) ঃ** রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর, মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমী, মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচর, কালা লোইশঙ, শ্রীশ্রী গোবিন্দজি টেম্পল বোর্ড অমদি নোট সংস্কৃত্তন অপুনবনা শিন্দুনা মরিশুবা সংস্কৃত্তন নুমিৎ থৌরম ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা চন্দ্রক্রিটি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শকাইরবা ফিল্ম মেকর-অরিবম শ্যাম শর্ম্মনা হায়-কালা সংস্কৃত্তিগী লমদা মনিপুর অসি অতৈ লমশিংগা য়েংনবদা তোপ তোপ্পা মগুন লৈজবা অমদি পীথোরকপা মীওই কয়ানা তোঙান তোঙানবা মশক থোকপা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকপা ঙম্বা লমদম অমনি। অসিগুম্বা মীওই

কয়া অসিনা ঐখোয়গী কালা সংস্কৃত্তিগী ইনাক খুল্লবা শক্তম কয়া হৌজিকসু ঙাক্তুনা থল্লি। মসিবু মখা তানা ঙাক্তুনা থমবা অখঙ অহৈশিংনা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

**থৌবাল(এল)ঃ** রিজনেল সেন্টর ফোর কলচরেল হেরিটেজ মনিপুর অমসুং য়াইরিপোক সঙ্গীৎ আশ্রম নাতা কলেজ-য়াম্বেমনা শিনদুনা ঙসি ১২ শুবা ইন্টরনেসনেল সংস্কৃত্তন ডে-২০২৫ গী থৌরম য়াইরিপোক বামোন লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

**মীতিং (এল)ঃ** রাজ্যগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাখ ভাজপায়না সভাপতি ওইদুনা ইয়ারপোর্ট ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগী টিম, পি.ডব্লিয়ু.ডি অমসুং ষ্টেট ত্রান্সপোর্ট বিভাগকা পুন্না মীফম অমা ঙসি ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা মরুওইনা কার্গো টর্মিনেল শাবা, ন্যু ইন্টিগ্রেটেদ টর্মিনেল লোয়শিন্দনা লৈরিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

**খুরাই (এল)ঃ** মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শেন্দাল লন্বী অমা ওইনা গেমব্লিং তৌবা, হাউসি লাউবগী থবক অসি মীয়াম পুন্না থিংমিন্নসি হায়না কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগী চেরোল অমনা হায়রি।

লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মনিপুরদা হৌজিক নে-তাদবা ফিভম অমা ওইদুনা মীয়ামনা হিংবদা য়ামা ৱানরিবা তাঙ্কক অমনি। চৈরক অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ফন্দ দ্রাইবকী নামাদা হাউসি লাউবগী থবক অসি য়ামা লাইবক থিবনি। ইনখৎলক্লিবা মহৈরোইশিংগী পরিক্ষা তৌরিবা অসিগী য়েংলগা অসিগুম্বা জৱার শান্নবগী থৌওং অসি পুন্না থিংমীন্নবদা মীয়াম পুন্না শরুক য়ামীন্নসি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** ইমান্যুয়েল থিওলোজিকেল সেমিনারিগী সিলভর জ্বিল্লি থৌরম ঙসি তমেংলোং জিলাগী খৃষ্টান সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ নিনি চুপা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসি ওনর টু ত্রান্সফোর্ম হায়বা হীরম অসিদা পাঙথোকপনি।

**সংসদ ঃ** সংসদনা ঙসি সেন্ট্রেল এক্সাইজ এমেন্দমেন্ট বিল-২০২৫ পাস তৌখ্রে। মসিনা সেন্ট্রেল এক্সাইজ এক্ট ১৯৪৪ শেমদোক শেমজিন তৌনবগী পান্দম থল্লি। মসি হিদাক মনাগী পোৎলমশিংদা লৌবা এক্সাইজ দ্যতি নৌনা শেমদোক শেমজিন তৌনবনি।

বিল অদু শেল থুমগী রাজ্য মন্ত্রি-পঙ্কজ চৌধুরিনা পুখৎলকখি। বিল অসিনা হিদাক মনাগী পোৎলম পুথোক্লিবা তোঙান তোঙানবা ইন্দষ্ট্রিশিংদগী এক্সাইজ দ্যুতি হেনগৎনা লৌনবগী পান্দম থল্লি।

হান্নগী সেন্ট্রেল এক্সাইজ এক্ট-১৯৪৪ গী মখাদা চুরুপ লিশিং অমদা এক্সাইজ দ্যুতি লৌবগী চাং লুপা চনিদগী হৌরগা লুপা ৭০০ ফাওবা লৌরম্বা অদু অনৌবা শেমদোক্লবা বিল অসিনা চুরপু লিশিং অমদা এক্সাইজ দ্যুতি লুপা লিশিং ২, ৭০০ তগী লুপা লিশিং ১১ ফাওবা লৌনবগী পান্দম থল্লি।

**সোনোৱাল ঃ** কেন্দ্রগী সিপ্পিং এন্দ ৱাটরৱেজ মন্ত্রি-সরবানন্দা সোনোৱালনা হায়রি-হৌখিবা চহি খরা অসিদা অৱাং নোংপোক লমদম অসি লৈবাক অসিগী চাউখৎপগী মরুওইবা মফম অমা ওইরি।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-লমদম অসি তোঙান তোঙানবা হীরমশিং, লম্বী থোং, ই-পাউ ফাউদোক ফাউজিন য়াওনা থৌশিল থৌরম কয়াদা খুমাং য়াংনা চাউখৎলক্লি। মহাকা হায়-হৌখিবা চহি ১১ অসিদা লমদম অসি লৈবাক অসিগী চাউথোকচফম ওইবা মওংদা চাউখৎলক্লি অমদি

ফিভম ফগৎলক্লি। মহাকা হায়-লমদম অসিদা কম্মরসিএল ইয়ারপোর্ট, সেমি কন্দক্টর, রেলৱেজ অমদি অতৈ হীরম কয়া শেমগৎ শাগৎপগী থবক লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি। হৌজিক পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং অসিনা মনিপুর, নাগালেন্দ, সিক্কিম অমদি মেঘালয়গী কোনুংশিং শমহনবা ঙম্লগনি।

**ক্রিকেটঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচতা-ত্রাউ থাংমৈবন্দনা কে.আই.ৱাই.সি. ক্ষেত্রিগাউবু রন মরিদা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ওস্কার পাউনা বজারনা এস.দি.সি. লাইফম খুনৌবু ৱিকেট অনিদা থোইখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** ২২ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা বি. এস.সি. (এ) ব্রহ্মপুরনা এল.সি.সি. সি. লিলোং চজিংবু ৱিকেট মরিদা থোইখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** পুনেগী দেকান জিমখানা পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা সয়েদ মুস্তাক আলি ট্রোফি প্লেটকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নাগালেন্দনা মনিপুরবু রন-৩২ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** কার্গিল ব্রেভ হার্টস মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-নারিংখু ৱাই.সিনা রিনদামখু এস.সিবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা-চান্দেল খৃষ্টান ৱাই.সিনা মোনশাং পন্থা ৱাই.সি.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** ৩ শুবা প্রেমিয়ার লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা

মেটচতা-সোসিএল স্পোর্টিং ক্লবনা ময়াং ইম্ফাল য়ুনাইটেদ এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুনাইটেদ চান্দেল এফ.সিনা অংথা এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখ্রে।